# য়াইথিবী লৌকোনদা ফুদ পার্ক শাবা য়ারোই হায়দুনা লম্বী থিংবগী খোঙজং চংশিনখ্রে

ইম্ফাল, জুন ৮(এস এন এস)ঃ

ককচিং লমখায় ময়াদা লৈবা য়াইথিবী লৌকোলদা মণিপুর লৈঙাক্না নেস্নেল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটিগা মরী লৈনদবা প্রোজেক্ট অমত্তা পায়খৎপা য়ারোই হায়দুনা মীয়াম্না ইম্ফাল মোরে লম্বী থিংবগী খোঙজং চংশিনবদা পুলিসকা মুক্নরকপদগী ইরাং থোকখ্র, পুলিসকী এক্সনদা ৪ শোক্লে, ৯না ফাজিনখ্রে।

ঙসি অয়ুক অঙনবদগী য়াইথিবী লৌকোল এরিয়াগী মশীং য়ান্নবা মীয়াম থোরক্তুনা ইম্ফাল মোরে লম্বীগী লংথবালগী মপাদা লম্বী থিংবগী খোঙজং চংশিনখি। লম্বী থিংগী খোঙজং অদুদা মাইকৈ অদোমদা লাকখিবা গারী কয়া পনদুনা লৈনখ। লম্বী থিংবগী পাউ অদু তাবদগী থৌবাল অমদি ককচিং দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী নুপী য়াওনা মশীং য়ান্নবা পুলিস পার্সোনেলশিং মফমদুদা চঙশীনদুনা লম্বী থিংবগী খোঙজং অদু তোক্নবা মীয়ামদা খঙহনখি। অদুবু খোঙজং অদু হন্দোকউ য়াদবদগী মীয়াম অমদি পুলিস অনীগী মরক্তা মুক্নবা হৌরকপগা লোয়ননা ইরাং থোকখি। ইরাং অদু লাকশিন্নবা হোৎনবদা পুলিস টিয়ার গ্যাস সেলশিং কাপ্তুনা মীয়াম অদু তানখায়রবা মতুং পন্দুনা লৈরম্বা গারীশিং হান্নগুম চৎলনখি।

পুলিসনা টিয়ার গ্যাস সেল কাপ্তুনা তানখায়বা অদুদা মীওই ৪ অশোক অপন নংখি। শোক্লবশিং অদুদি কৈশাম ইবেম্মা (৩৫) মপুরোইবা কো ইবুংঙো, হাওবিজম ইবেচা (৪০) মপুরোইবা ঐচ রাজু, কাঙুজম সুন্দরি (৩০) পুরোইবা কে অসাকুমার অমসুং ৱাংখৈময়ুম চেনেতোন মপুরোইবা ভোরোটনি। মখোয় ৪ মক দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা থৌবালদা পুখত্তুনা লাইকন্নখি। খোঙজং অদুগা মরী লৈননা অতোপ্পা নুপী ৪ অমসুং নুপা ৫ পুন্না মীওই ৯ অমসু পুলিসনা ফাজিনখি।

ঙসিগী খোঙজং অদুগা মরী লৈননা ৪৪ য়াইথিবগী লৌকোল লেন্দ দোন্নর এ এসোসিয়েসনগী সেক্রেটরি মনিহারনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখবদা, কুমজা ২০১৪দা মতম অদুগী লৈঙাক্না য়াইথিবী লৌকোলদা নেস্নেল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি শাগনি হায়না ৱারেপ লৌখি। মদুগী মতুংদা লৌকোল অসিদা লৌ উজরিবা লৌমীশিং অমদি লৌকোল অসিগী অকোয়বদা খুন্দারিবা খুলগী খুনজাশিংদা কেন্দ্র অসিগী ,এম এল এ পাউনম ব্রোজেন্দ্রোনা খুনজাশিং লৈঙাক্কী থবক অমমম পীগনি, এন এস য়ুগী জেরো কিলোমিটরদা এক্কর ২০গী পাক চাওবা য়ুম ময়াম অমা শারগা মোদেল ভিল্লেজ অমা ওইনা শেমগৎকনি হায়বনচিংবা থাজবা কয়াসু পিখিবা লৈখ্রে।

নেস্নেল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটিনা লমদম অসিগী হৌরক্লিবা নহাশিংদা পীগদবা কান্নবা কয়া অদু য়েংলগা য়াইথিবী লৌকোলগী লৌমীশিং অমদি অমদি অকোয়বগী খুনজাশিংনা হরাও হরাও লমগী মন্তিক্নবা তৌদনা অহোংবা মমলদা লমশিং অদু মণিপুর লৈঙাক্তগী য়াস দিপার্টমেন্টতা কখে–াকখি। ঙসিদি নেস্নেল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটিসু অতোপ্পা মফমদা শাখ্রে। য়াইথিবী লৌকোলদা এক্কর ১০০ পাক চাওবা মেগা ফুদ পার্ক, এক্কর ১৫০ চাওবা লোজিষ্টিক পার্ক অমসুং এক্কর ১০০ পাক চাওবা জ্রেল্লরস পার্ক শানবা থৌরাং তৌরিবসি খুনজাশিংনা য়াবা শুকঙম ঙল্লোই হায়খি।

নুমিৎ নীনিগী হুন্নী মমাঙদা দি সি থৌবালগ ইনষ্ট্রক্সন মখাদা লংথবালদা খুনৌগী য়ুমলক্তা দিমাক্রেসন তৌবগী থবক চখবা হৌখিবসি য়ানিংদে। লৈঙাক্না খুঞ্জাশিংগা ৱারী শন্নদু তংতাবা ৱারোইশিন অমা পুরক্ত্রিবা ফাওবা দিমাক্রেসনগী থবক লেপ্লিয়ু। দি সিনা খুনজাশিংগী অপাম্বা ফোঙদোকচনবগী তানজাসু পিবিদে হায়না পেন্দবা ফোঙদোক্লদুনা অসিগুম্বা দি সিগী থৌওং অসিসু য়ানিংদে হায়না মখা তানা হায়খি।

# মহৈরোইশিংনা প্রাইভেট স্কুলদা তম্বা ঙমদে হায়না নীংহন্নরোইদবনি ঃ অমাকচম দেবানন্দ

ইম্ফাল,জুন ০৮ (এস এন এস)ঃ

ওসিন ফোরম ১৯৯৬–৯৮ নিংশিং মরুপ ২০০২ –১২ বেটচ অমদি চারৈ ফিরেননা পূন্না খুৎশন্নরগা স্পোন্সর তৌদুনা ঙসি চহী অসিগী বোসেম অমদি কোসেমনা লৌবা ক্লাস ১০ অমদি ১২কী একজামিনেসনদা সি সি হায়র সেকেন্দরী স্কুল অসিগী মহৈরোইশিং ওকপগী থৌরম ঙসি স্কুল অসিদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসিদা স্কুল অসিগী প্রিন্সিপাল এস ইন্দ্রনি দেবীনা চীফ গেষ্ট, স্কুল অসিগী ভাইস প্রিন্সিপাল এ ওরমিলা দেবীনা প্রসিদেন্ট অমদি স্কুল অসিগী ফিজিক্সকী সেনিয়র লেকচর ৱাই জয়না গেষ্ট ওফ ওন্নর ওইখি।

থৌরম অদুদা হন্দক হায়দোকখবা একজাম আর্টস, সাইন্স অমদি কম্মর্সকী মকোক–মথং তাখ্রবশিংবু শেলগী মনা অমদি সার্টিফিকেট পীদুনা পূক্নিং থৌগৎখি।

স্কুল অসিগী প্রিন্সিপাল এস ইন্দ্রানিনা মহৈরোইশিং মায় পাক্লপা অমদি স্কুল অসিদা তমলম্বা মহৈরোইশিংনা থৌরম অসিবু মপুং ফাহনগীদমক হরাওবা ফোঙদোকখ। সিয়ান ফোরমগী মীহুৎ ওইরিবা স্কুল অসিদগী হৌখিবা সুগনু পি এ সকী এস দি পি ও অমাকচম দেবানন্দনা মহৈরোইশিংদা প্রাইভেট স্কুলদা তম্বা ফঙদে হায়না নিংহন্নবগী মহুৎ হোৎনবা কনবা, মতম মাংহনদবা অমদি ইশানা ইশাবু থাজবা থম্বনা তুংগী পুন্সিদা মায় পাকপা ঙমগনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

# ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে, ইম্ফাল কাংচুপ থিংবগী ৱরেপ লৌখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৮(এস এন এস)ঃ

ইম্ফাল ৱেষ্টকী লমশাং পুলিস ষ্টেসনা কোনবা লমদেং খুনৌদগী ওইনাম ওলেতোম্বা এলাইজ ইনাওগী মীশিগী মায়োক্তা ৱাকৎ মীফম চখবগা লোয়ননা হয়েং ফাওবগী মনুংদা মীশি অসিগী লংলা লংজিল পুথোক্রবদি মথংগী নুমিত্তগী ইম্ফাল কাংচুপ লম্বী মতম কক্তনা থিংজল্লগনি হায়রি।

ঙসি ৱাকৎ মীফম অদু লৈকাই মীয়ম্না শিল্লগা চখখিবনি। ৱাকৎ মীফমগী খোঙজং অদুগা মারী লৈননা খোঙজং অদুদা শরুক য়াখিবী লৈকাই মৈরা পায়বী অমনা ফোঙদোকখিবদা, থা অসিগী হৌখিবা ৫গী অয়ুক অঙনবদা ময়ুম মনাক্তা হৌবা চোর্ফোন পাম্বী অমদা ওলেনতোম্বা থৌরি য়াল্লগা শিদুনা লৈরম্বনি। মহাক্কী মীশি য়াম্না চিংনিঙাই ওই। মরমদি মহাক্না থৌরিবা য়াল্লিবা চোর্ফোন পাম্বী অদু য়াম্না নেম্বগী মথক্তা য়াল্লন্নিবা থৌরি অদুসু মশাগা চান্নদে। মীশি অসিদা কনাগুম্বা খরা শোয়দনা চেন্নরমগনি হায়বসি চিংনবা লৈ। মরম অদুনা হয়েং ফাওবগী মনুংদা লৈঙাক্কী মরী লৈনবশিংনা চেন্নবা মীওইশিং পুথোক্কদবনি। করিগুম্বা লংলা–লংজিল পুথোকপা ঙমদ্রবদি অশিবা হকচাং লৌদবগা লোয়ননা মথংগী নুমিৎতগী মখল মখা কয়াগী খোঙজং চংশিন্নবা ৱারেপ লৌরে হায়না মখা তাখি।

## লাইনিং শন্দোকফম...

ঙরাংগী মখা...

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, কং লৈবাক্কী তম্পাক লমদমদা চর্চ কয়া শাদুনা লৈরি। ময়ামশিং অসিদা খৃষ্টিয়ান লাইনিংনা মরী লৈনবা থৌরমশিং নুমিৎ খূদিংগী পাঙথোকপদা লূপ অসিনা অথিংবা থম্মোয় অদুবু তম্পাক লমদমদা লৈরিবা মহৈশঙশিং অসিদা লাইনিং লাইশোলগা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিং পাঙথোকপদি কে সি পি–এমসি না কৈনৌনুংদসু য়াবা ঙল্লোই।

তম্পাক্কী লমদম অসিদা মখল অমত্তগী লাইনিংগী থৌরমশিং মহৈশঙগী অকোইবদা পাঙথোকপা লৈতে। লাইবক থিবদি কেথোলিক স্কুল খক্তদা লাইনিংগী থৌরমশিং অসি পাঙথোক্লি। বিসোপ হাউসতা বোম্ব থমলমদুনা লানদা চখরবা ফাওবদা কেথোলিক এদুকেসন সোসাইটি মণিপুরনা মখা তানা লূপ অসিগী ময়োক্তা লেপ্পা তারগদি মুক্নবা অসিগী অরোইবা পনখৈ অমগী থাক লাক্লগনি। লাক্লিবা জুন ১০, ২০১৯ ফাওবগী মনুংদা মহৈশঙ মনুংদা চর্চ শাজিল্লিবা অমদি খৃষ্টিয়ান লাইনিং লাইশোলগী থবকশিং পাঙথোক্লিবা অসি তোক্ত্রবদি মহৈশঙবু লাইনিং শন্দোকফম ওন্থোক্লিবা খূদিংমক্কী মথক্তা অহকপা চৈরাক পীরোইদবগী মরম লৈত্রে হায়নসু মখা তারক্লি। মসিদা নৎত্তনা কেথোলিক স্কুল মাঙদা হায়বদি লিটল ফ্লোৱার স্কুল, এস টি জোসেফ হায়র সেকেন্দরী স্কুল, কেথোলিক স্কুল কাঞ্চিপুর, নিরমালাবাস স্কুল অমদি খৃষ্ট জয়োটি মন্ত্রিপুখ্রি হায়রিবশিং অসিগী ষ্টাফ খূদিংমক্তা অকনবা মীৎয়েং য়েংলগনি। মুক্নবা অসিদা থোক্লকপা পামদবা থৌদোক্কী তেকচাক খূদিংমক কেথোলিক এদুকেসন সোসাইটি মণিপুর অমদি মরী লৈনবা বিসোপশিংনা পুগদবনি হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, মুক্নবা অসি মখা তানা চাওথোক্তুনা মহৈশঙ অসিগী লাইরিক লাইশু তম্বদা শোক্লকপা অমদি মহৈশঙশিংদা চৈবী চৈথেং নংবা য়াওরক্লগদি মীয়াম্না লূপ অসিনা ৱারৌবিদনবা পাউজেলসু পীজরি। য়েলহৌ খুন্নাই মুত্তনবা চংশিল্লক্লিবা কলচরেল ইম্পিরিয়েলিজমগী মায়োক্তা লূপ অসিনা চপ চানা থেংননবা শেম শারে। অদুম ওইনমক চীংগী লমশিং দদি অথিংবা অসিনা কোনশিল্লোই।

# ইন্দষ্ট্রি তৌরিবশিংগা সলাইগা পূন্না লমদম অসিদা ইকোনোমিগী খোঙহৌ অমা চঙশিল্লগনি ঃ এন সমর্জিৎ

ইম্ফাল, জুন ৮(এস এন এস)ঃ

লমদম অসিদা ইন্দষ্ট্রি মচা মচা তৌরিবা ইচিন–ইনাওশিংগা সলাই হোল্ডিংস প্রাইভেট লিমিটেদকা পূন্না চঙমিন্নদুনা লমদম অসিগী শেন্মীৎলোনগী ফীভম ফগৎনবা খোঙহৌ অমা চঙশিল্লগনি হায়না সলাই হোল্ডিংস প্রাইভেট লিমিটেদকী চেয়ার্মেন নারেংবম সমর্জিৎনা ফোঙদোকখ্রে।

ষ্টেট অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমদা লৈরিবা ইন্টরপ্রিন্যুশিংনা পায়খৎলিবা ইন্দষ্ট্রিশিংগী অৱাৎ–অপা য়েংশিল্লুবগা মরী লৈননা মথক্কী ৱাফম অসি এন সমর্জিৎনা ফোঙদোকখিবনি।

সলাই হোল্ডিং প্রাইভেট লিমিটেদকী চেয়ার্মেননা লুচিংবা বোর্দ ওফ দাইরেক্তর কয়ানা শরুক য়াবা টিম অমনা ঙসি অহানবা খোঙথাং ওইনা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা পাউনা ফূদ, ৱাংখৈ ইর্ষ্টর্ন গ্রাউন্দ মনাক্তা লৈবা মম্মি ফূদ, বামোন কম্পু, ওক্রম লৈরক্তা লৈবা পাম্বৈ ফূদ, শিংজমৈ মোংখাঙ লম্বীদা লৈবা সেফি ফূদ, ইরৈমা ফূদ অমসুং লম্লেন ফূদ, ৱাইখোম লৈকাইদা লৈবা মেমোরি ফূদ অমদি ক্যামগৈদা লৈবা পোইরৈ পিক্করদা চত্তুনা ইন্দষ্ট্রিশিং অসিগী ফীভম অমসুং অৱাৎ অপাশিং য়েংশিনখি।

য়েংশিন খোঙচৎ অসিগা মরী লৈননা সলাইনা ফোঙদোকখিবা সলাই হোল্ডিংস প্রাইভেট লিমিটেদনা হৌজিক ফাওবদা মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাক য়াওনা কম্পনি ২০ লিংখৎখ্র। লোয়ননা বোর্দ ওফ দাইরেক্তর ৩৪ লৈদুনা মীওই ২৫০০ হেনবদা থবক পীরি। সলাইনা ষ্টেট অসিগী অমসং অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংগী ওসনা শেন্মীৎলোন্দা অওনবা অমা পুরক্নবা হোৎনজবনি।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়খি, গ্লোবেল ইন্টরপ্রেন্যু অমা ওইনবা হোৎনবদা থেংনখিবা শীংনবশিং অদু নমখায়রম্লগা মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংগা চৎমিন্নদুনা গ্লোবেল নেটৱার্ক শাগৎনবা হোৎনরি। লোয়ননা লমদম অসিগী তুংগী থাজবা লৈরিবা ইন্টরপ্রেন্যুশিংবু করম্না চাউখৎহন্নবা হোৎনগদগে হায়বসিদা মৱাৎ–অপা লৈবশিং মতেং পাঙখ। ষ্টেট অসিগী অমসুং অৱাং নোংপোক্কী লৈরিবা লো এন্দ ওর্দরগী ফীভম অসিদা তোঙান তোঙানবা ইশুশিংদা প্রেসর কয়াসু মায়োক্নদবা নত্তে। ঙসিসু লমদম অসিদা লৈবা কাচিন–কোয়াদা কনানা করি পায়খৎলি হায়বসি অহানবা খোভথাং ওইনা সলাইনা য়েংশিনবা চৎলুবনি। অসুম্না চখোক–চৎশিন তৌবা অসিদা গ্লোবেল ইন্টরপ্রেন্যু অমা ওইনা খুদোংচাদবা লৈবগীদমক লৈঙাক্তা সেক্যুরিটি পীবিনবা হায়জবদা পীবিদ্রে। লৈঙাক্না সেক্যুরিটি পীবিদ্রবসু লমদম অসিগী ইন্দষ্ট্রি মচা মচা তৌরিবশিং অসিবু পূক্নীং থৌগৎতুনা থবক শূবগী হৈনবী থম্নবা লেপ্পা লৈতনা হোৎনগনি।

ঐঙোন্দা প্রেসর পীগনি হায়না লৈরগদি ঐবু হাৎখিবদা ঐনা ফংলিবা চৈথেঙ অদুদগী হেনবা চৈথেঙ খুন্নাই অসিনা ফংগনি। ঐ হাৎপা হায়বসি লমদম অসিগী খুন্নাইগী ওইনা শেন্মীৎলোনগী অমসুং পোলিটিকেলগী শোথরিবা অসি মেনখৎপা ঙমদনবা হোৎনবগুম্বনি। ঙসি ইন্দষ্ট্রি ময়াম অসি য়েংশিল্লুবদা লৈহৌরিবা অৱাৎ–অপা ময়াম অমা লৈহৌরি। মসিনা থৌনা অমা পীবগুম খল্লি। অসিগুম্বা ইন্দষ্ট্রি মচা মচা তৌজরিবা ইচিন–ইনাওশিং অসিগা মখা তানা পূন্না চৎমিন্নদুনা লমদম অসিগী শেন্মীৎলোনগী ফীভম ফগৎনবা অঙম্বা থাক্তা চঙশিনখিগনি। সলাইনা চঙশিনগদৌরিবা খোঙহৌ অসিদা মীয়াম্নসু মতেং পাঙবীয়ু হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

# রিমস হোস্পিটালদা থম্লম্বা বোম মাওইষ্টননি...

ঙরাংগী মখা...

চেরোল অসিনা হায়, হৌখিবা মতমদা লূপ অসিনা য়েংদুনা লাকপনি অমদি মখা তানা মঙক কনদুনা কে সি পি – এম সি বু মীওই কয়া লৈবনো, তৌনিংবা তৌরকসনু হায়বনচিংবা ৱাফম কয়া ফোঙদোকপা নত্তনা মরাল লৈতবা মীওইশিংবু মাওইষ্টনি হায়জিনদুনা ফাহন পুলহনবদসু চেন্নবা মরালনা মপোৎ ফারবা মীওইনি। মীওই অসিনা শিংনরিবা লূপ অসিখক্ততদা নত্তে অতোপ্পা লূপ কয়াগী মমিং শিজিন্নরগা অমদি হুল্লগা ঙাং শাকপা মীওইনি।

মীয়ামগী অনা–লায়েংশঙ রিমস হায়রিবা মফম অসি য়ুমখাম সিতেস অমদি মবাই ডাইরেক্টর অনীনা পুল্লগা লুট তৌফম ওইরে। দিপার্টমেন্ট ৱার্ককী মিংদা মীওই কয়াদা ক্রোর অমদগী খজিংক্তং তাবা থিকা ময়াম অমা পীশিল্লগা হায়রিবা শেনফম অসি ইঞ্জিনিয়র সেলগী কন্সলটেন্ট ওইবা ওইনামদগী মীওই অমগা শগোলবন্দ মৈনো লৈরক্তগী এস সি ওইবা মীওই অমগা মখোয় মশেল মান্নদুনা শায়েন ঙায়েন্নদুনা লৈরে। অনা লায়েংশঙ অসিদা দিপার্টমেন্ট খরদদি ডোক্টর শিংনা ফম্নবা ফাওবা লৈতবা মফম য়াওরি। হৌখিবা চহী খরা অসিদা রিমসতা অনা–লায়েংগী ফিভম ফাগৎনবা হোৎনবগী মহুৎতা থিকাদা মায় ওনশিন্দুনা লৈরে হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, রিমসকী ডাইরেক্টরনা অনা–লায়েংশঙ অসিগী ডোক্টর অমত্তগী ৱা তাদে, মপুং ফানা মহাক্না দিক্টেটর অমগুম পাল্লি।

# লাইয়িংথৌ সনামহি কিয়োং...

*লমায় ১গী মখা*

লাই খুরুম্বা ফঙদনা লৈরম্বা অদু ঙসিদগী খুরুম্বা ফঙলগনি খনবদা হায়নিংঙাই লৈতনা হরাউবা ফাওই। ঙসি সনামহি কিয়োং চেং হোংবা অসিদগী লমদম অসি নুংঙাই য়াইফবা, চাহোং–ঙাহোংবা,অদুলৈতনা অমগা–অমগা নুংশিননা পানবা ওইরসনু হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুগী নুংগী ওইবা ৱারোল পীরদুনা লাইনিংথৌ সনামহি থৌগল কাঙলূপকী এডভাইজর নাওরোইবম অমেংবানা হায়খি, কুমজা ২০০২,মেরাগী নোংমা পানবা চাওরেন হৌবা নুমিত্ত অহানবা মণিপুর রাইফলগী কমপ্লেক্সতা লৈরিবা হয়িংখোংবাল উফোং য়ূম্ফমদা সনামহিবু খুরুম্বা লাকপা মীওই লিশিং কয়ানা মফমদু য়াম পীকই লাই খুরুম্বদা নীংবা থুংদে,অচৌবা মফম থিদুনা শেম্মু হায়না শীন্নরম্বদগী লাইনিংথৌ সনামহি থৌগল কাঙলূপ্পা কিয়োং অসি শাজবনি।

থৌগল কাঙলূপ অসিগী পানদমদি লাইশঙ অসি শাবখক্ত নত্তে। মফম অসিদা নাৎকী ওইবা হায়বদি–জগোয়,ঈশৈ,থাং–তা,শগোল কাঙৈজেনচিংবা তম্নবা মালেমগী থাক্তা তাইবঙগী মহৈকোল অমা লিংবনি। লোয়ননা মালেমদা লৈরিবা লাইনিং অতৈগা তোরোৎ খোন্দান্নদুনা চৎমিন্নবা হোৎনবা অসিসু কাঙলূপ অসিগী পানদমনি। তুংগী মীরোলনা নাৎকী ওইবা মহৈ–মশিন তমজনবা অদুগা ইপা–ইপুনা চৎপীরম্বা লাইনিং লম্বী অসি মাঙদনবগীদমক তাইবঙ মহৈকোল অসিগী ময়োল ওইনা কিয়োং অসি হান্না শাবনি হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

## মণিপুরদা লিংখৎখিবা...

*লমায় ১গী মখা*

অদুবু পার্টি অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্নানদি পি এ সংমাবু নেস্নেলিষ্ট কোংগ্রেস পার্টি (এন সি পি) দগী তাম্থোক্লবা মতুংদা ২০১৩ দা পার্টি অসি লিংখৎখিবনি হায়না পল্লি। তশেংবদি পি এ সংমাদি পার্টি অসিদা কোন্না য়াওরকখিবনি হায়রি।

# দিভাইন লাইট স্কুলগী মহৈরোইশিংগা ডা ধনবীর লাইশ্রমগা ইন্টরিয়েক্সন তৌখ্রে

ইম্ফাল,জুন ৮(এস এন এস)ঃ

মহৈরোইশিংদা সেলেবসকী মতুং ইন্না লাইরিক–লাইশু তম্বীবগী মথক্তা অহেনবা লৌশিং অমসুং অফবা ৱাখল্লোন লৈহন্নবা পান্দমদা ঙসি দিভাইন লাইট স্কুল খুম্বোংগী মহৈরোইশিংগা ডা ধনবীর লাইশ্রমগা ইন্টরিয়েক্সসন তৌখ্রে।

ডা ধনবীর লাইশ্রমনা থৌরম অদুবু শরুক য়ারদুনা হায়,ঙসিগী মহৈরোইশিংনা লৌশিং তারক্লবা মতমদা মণিপুর কনবা ঙমগনি। লেসন খক্ত তম্বীবগী মথক্তা মমা লৈবাক নুংশিবগী ৱাখল্লোনসু লৈহনবা মথৌ তাই। লাইরিক হৈবা খক্তনা য়াদে। মমা লৈবাক – মজাতি নুংশিবগী ৱাখল্লোন লৈত্রবদি পূন্নমক অরেম্বনি।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, ঙসি মণিপুরদা লৈঙাক্কী অচৌবা ফম,থৌ পায়বা মীওই অয়াম্বা য়ুপ্লোন–কৈরোন্নবশিংগা অফবা মরী থমদে। ওফিসারবু ওইরবদি য়ূম ৱাংনা শারগা ,চেকপল ৱাংনা খারগা হূই অচৌ–অচৌবা লোই। অসিগুম্বা মখলগী পূন্সিরোল অসি শিংথানিংঙাই ওইদে। মীয়ামগা ইন্টরিয়েক্সন তৌদবা,মী অমত্তনা লৈবাক মীয়ামগী য়াইফনবা থবক তৌবা থেংনদে।

য়ূম শাংনা শাবা ,চেকপল কোইনা কোইশিনবা, মীনা মঙোন্দা সলাম কোৎপা অদু উরুবা নহাশিংনদি ঐখোয়সু মাগুন্না অচৌবা থবক তৌগে খনবদি য়াই। অদুবু নহা অদুগী ৱাখল্লোন অদুদি পুরা অরানবা মায়কৈদা চৎলে হায়না লৌগনি। মসিনা ঐখোয়না লাইরিক–লাইশু তম্লিবসি লৌশিং,জ্ঞান, অফবা লমচৎ–শাজৎ অদুনা মরম ওইরগা তোল্লবা কনাগুবা অমদসু লৌশিং জ্ঞান পীবা পোকহনবা ঙমগদবনি।

মণিপুর অসি ঙসিদি ইশু কয়ানা য়োমদুনা লৈরে। লৈঙাক পায়রিবা মীওইশিং অমদি মকোক থোংবা ওফিসারশিংনা মতম চানা ইশুশিং অসি সোল্ভ তৌহৌদ্রবদি, মণিপুরগী মরাইবক তম্বা ঙস্নরোই। লৈবাক অসিবু অফবা মায়কৈদা পুগে হায়বগী চপ–চাবা ৱাখল্লোন রাজনিটিৱালাশিংগী থম্মোয়দা লৈরবদি মণিপুর শোয়দনা কনবা ঙমগনি। নৎত্রবদি আরেং–আরেং পুখদুনা মণিপুর মাঙখিবদা মতম চংলোই।

মহাক্না মখা তানা হায়, অসুক য়াম্না চরাংনরিঙৈ চৈরক অসিদা রাজনিটি তৌবা কয়ানা মশা খক্তগী নুংঙাইনবা থবক তৌদুনা লৈরি হায়না লাউনা–লাউনা নোংমদি মরিপুর তপ্না রেলৱে লাক্লগনি। ঙসি মঙ্গোলদা লাইহরিক তম্বা চৎচরিবা অঙাংশিং অসি নোংমদি অলুগী বোরা ওইনা মনঙ্গন্দা পোরবা য়াই।

অমরোমদা, মণিপুরগী নেচরেল রিছোর্স কয়াসু লৌথোক্লগা মীরমদা পুখিনবগী থৌরাংসু তৌরি। পূন্নমক অসিগী ফলনা মণিপুর নোংমা–নোংমগী অমম্বা লম্বীদা চংশিল্লক্লি হায়বসি মীয়াম্না খঙবা মথৌ তাই।

# পাইনেপল এন্দ শম্মর ফ্রুইটস ফেষ্টিবেল পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল,জুন ০৮ (এস এন এস)ঃ

ইম্ফাল ৱেষ্টকী মনুং চন্না লৈবা সঙাইথেল পার্কতা চৎলিবা থা অসিগী ১৭ দগী ২২ ফাওবা পাইনেপল এন্দ শম্মর ফ্রুইটস কম্মিটিনা শীন্দুনা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

হীরম অসিগী মতাংদা ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্টকী দিপ্যুটি কম্মিস্নর এন প্রবিন সঙাইথেল পার্কক্তা পাউমীশিংগা উনবদা হায়, ষ্টেট অসিগী তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্ট আই সি এ আর নোর্থ ইষ্ট রিজন সেন্ত্রেল এগ্রিকলচরেল য়ুনিভর্সিটি, হোর্টিকলচর দিপার্টমেন্ট দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন অমসুং সোইল কনজর্ভেসন গা কোলাবোরেট তৌদুনা ফেষ্টিভেল ওফ পাইনেপল এন্দ সম্মর ফ্রুইটস কম্মিটিনা শীন্দুনা মাইকৈ অশোমগী অহানবা ওইনা পাঙথোক্কদৌরিবা ফেষ্টিভেল অসি সঙাইথেল গী অকোয়বদা লৈবা সঙাইথেল, লোংঙা কোইরেং, থাংজিং চিরু, খোগেন, সহৈবুং, বোলজং, য়াংনোফাই হায়রিবা অকোয়বদা লৈবা খুলশিং অসিনা পুথোক্লিবা কিহোমশিং অসিবু পূক্নিং থৌগৎপা ওইনা অমসুং কিহোম থারিবশিংবু হেন্না হোৎনিংনবগী মায়কৈ অসিগী ওইনা অহানবা পাঙথোক্কদৌরিবনি। মায়কৈ অশোমদা হৌরিবা কীহোমশিংগা মহাও মান্নদে। মহাও অসিবু ষ্টেট অসিগী মীয়ামদা ফংহন্নবা অমদি খুঙ্গংসিদা লৈরিবা মীয়ামদা হৈ–রা হেন্না থানিংবা ইনোৎ পীবতা নৎত্তনা ইকোনোমি হেনগৎনবা খরদং মতেং ওইগদ্রা খনবগী পান্দমদা পাঙথোকপনি। লোয়ননা ফেষ্টিভেল অসিদা সম্মর ফ্রুইটস কয়া অমসু মীয়ামদা থানিংহনবগী ইনোৎ পীবতা নৎত্তনা সঙাইথেলগী অকোয়বদা ফংবা সম্মর ফ্রুইটসশিংবু ইষ্টোল হাংদুনা মীয়ামদা ফংহনগনি। মহাক্না মখা তানা হায়, ফেষ্টিভেল অসিদা লোকেল প্রদক্স অমদি তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্ট কয়াগী ইষ্টোল য়াওনা পূন্না ইষ্টোল ৫০ হাংগনি। লোয়ননা এগ্রিকলচরেল য়ুনিভর্সিটিনচিংবা তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংনা খুঞ্জাশিংদা হৈ–রা থাবনচিংবশিংগী এৱারনেস পীবগা লোয়ননা খন্ন–নৈনবা প্রোগ্রামশিং পাঙথোক্কনি হায়না ফোঙদোকখি।

পাউমীশিংগা উনবা অদুদা শরুক হোর্টিকলচর দিপার্টমেন্টগী এম অই দি ঐচ কী মিসন ডাইরেক্টর এন প্রেমানন্দনা হায়, দিপার্টমেন্ট অসিনা লমদম অসিগী মহৈ–মরোং হেন্না পুথোক্নবা হোৎনবা পায়খৎপা থৌরম কয়াদা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লাক্লি। হৌখিবা চৈচৎতা ফেরজোলদা পাঙথোকখিবা জিনজর ফেষ্টিভেলদসু দিপার্টমেন্ট অসিনা মায় পাক্না পাঙথোক্নবা হোৎনবদা থৌদাং কয়া লৌখি। এম আই দি ঐচতা ফন্দ য়াম্না লৈত্রগসু লৌমীশিংগী পূক্নিং থৌগৎপা ওইনা অঙম্বা মতেং পাংনবা শেম–শাদুনা লৈ। রেচুয়েল অসিগীসু এম আই দি ঐচ ফন্দগী লুপা লাক্ষ অমা পাংলগনি হায়না ফোঙদোকখি।

ফেষ্টিভেল ওফ পাইনেপল এন্দ সম্মর ফ্রুইটস কম্মিটিগী মেম্বর খাগেম্বনা হায়, লমদম অসিদা মতম মতমগী পুথোক্লিবা হৈ–রাশিং অসি অতোপ্পা ষ্টেটনচিংবা মফমশিংদা এক্সোর্ট তৌদুনা ষ্টেট অসিগী ইনকম কয়া তানবা য়াবনি। অদুবু ষ্টেট অসি কোল ইষ্টোরেষ্টনচিংবা নিংথিনা লৈতবনা পৎলগা মাংবনা অয়াম্বা ওইরি। চৎলিবা থা অসিগী ১১দগী হৌদুনা নুমিৎ মরিনি চূপ্পা পাঙথোক্কদৌরি। ফেষ্টিভেল ওফ পাইনেপল এন্দ সম্মর ফ্রুইটস অসিদা লমদম অসিগী মীয়াম্না শরুক য়াবীয়ু হায়না ফোঙদোরক্লি।

# অশোয়বা ঙাক্নদুনা থবক তৌমিন্নসি...

*লমায় ১গী মখা*

হোৎনদুনা লৈরিবনি। মণিপুরবু চাউখৎপা লৈবাক অমা ওইহনবা হায়বসি নরেন্দ্র মোদি লৈঙাক্কী অহানবা পান্দমনি। মণিপুরগীদমক অফবা প্লান পোলিসি কয়া নরেন্দ্র মোদি লৈঙাক অসিনা য়াৎলি হায়খি। মিনিষ্টর পীবগী ৱাফম অসিদি নরেন্দ্র মোদিগী লৈঙাক অসিদা লৈরিবা মিনিষ্টর মশীং অসি অকক্লবনি। মরম অসিনা মতম ঙাইবা তাবনি হায়খি।

থৌরম অদুদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা হায়, চহী ১৫গী তমথিরবা কোংগ্রেসগী মতম অদুদগী চুপ্লি পায়বা চহী অনিখক্তা ঙায়রিবা বি জে পিদা মীয়াম্না থাজবা থমদুনা ভোট পীবিরক্লি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং আমিট সাহগী খোঙবু অসিনা ইন্দিয়া অসি নিকপনি। মীখল অদুদা কোংগ্রেসনা ভোট চাদ ২৪ ফংবদা বি জে পিনা ভোট চাদ ৩৪ ফংলিবনি।

মণিপুরগী অমত্তা ওইবগী শক্তম অসি ঙাক্তুনা থম্বা ঙম্নবা করম্বা পার্টিদা য়াওগদগে হায়বদু খনলবা মতুংদা কোংগ্রেস পার্টি থাদোক্লগা বি জে পিদা য়াওখিবনি।

লমদম অসিগী ইশু মচা মচা কয়া লৈরকপদা বি জে পিগী লুচিংবা কয়াগী মতেংগা লোয়ননা সেন্টরদা খঙহল্লবা মতুংদা ইংনা লৈবা ঙম্বনি।

লৈঙাক পায়রিবা অসি এক্সপরিয়েন্স লৈরবা লোইনা নত্তে। অশোয়বা অঙাম্বা, অহেনবা অৱাৎপা লৈরমগনি। মদু পুন্নমক ঙাকথোক ঙাকশিন তৌনদুনা হোৎনমিন্নসি।

মীয়াম্না লৈঙাক অসিদা লৈরিবা থাজবা অসি মাঙহন্দনবা হোৎনবা তাই। মীওইবনি অশোয় অঙাম লৈনগনি অদুবু মদু ঙাকপীবা তাই হায়খি।

রাম মাধব য়াওনা সেন্ত্রেল লিদরশিংনা মণিপুরগীদমক হোৎনরিবা কয়া অসিদা মীয়াম্না শৌগৎসি হায়খ। লোয়ননা মণিপুর অসি অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী চীদাইদা লৈবা ষ্টেট অমা ওইবনা মিনিষ্টরগী ফম অমা ষ্টেট অসিগী এমপিদা পীবিনবা রাম মাধবগী পূক্নিং চিংশিনখি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা মিনিষ্টর করাম শ্যামনা হায়, মীখল মায় পাকপগী মীহুন চোংলিঙৈদা লৈঙাক অসিদা অশাবা নুংশিৎ শিৎচিল্লকপা অসি মীয়ামগী মমাংদা ইকাইবা ফাওগে তৌই। পোলিটিক্সতা খাঙবা কনবা হায়বসি য়াম্না মরুওইবনি। মদু লৈত্রবদি পোলিটিক্সতা করিমত্তা য়ারোই। পোলিটিক্স হায়বসি লৈবাক্কীদমক অফবা ৱাখল্লোন পুথোক্তুনা থবক তৌবা ঙম্বদুনি। মসিদি চীফ মিনিষ্টর, মিনিষ্টর খক্তনা পুথোক্কনি হায়বা লৈতে। মসিদি এম এল এশিংনসু পুথোকপা য়াই।

য়াম্না তোয়না মুক্নবগী মওংদা পোলিটিক্স তৌবা অসিদি হৌখিবনা হৌখ্রবসু হৌজিক্তি মসি তৌহন্নীংদে। মরম অদুনা মসিগুম্বা অসি য়াওদনা হেন্না মতিং লৈবা লৈঙাক অমা ওইহন্নবা হোৎনবরোমদা মাঙদা চংশিনবা তাই।

থৌরম অদুদা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট কে ভবানন্দ, ৱার্ক্স মিনিষ্টর টি ঐচ বিশ্বজিৎ, পার্টিগী ওর্গনাইজিং সেক্রেটরী নোর্ঠ ইষ্ট ইন চার্জ অজয় জমৱাল, এগ্রিকলচর মিনিষ্টর ভি হঙ্খানলিয়ান, ফোরেষ্ট মিনিষ্টর টি ঐচ শ্যামকুমার, সোসিয়েল ৱেলফেয়ার মিনিষ্টর নেমচা কিপগেন, এদুকেসন মিনিষ্টর টি ঐচ রাধেশ্যাম, এম এল এশিং এন ইন্দ্রজিৎ, কে এস ঐচ বিরেন, এস রাজেন, পি ব্রোজেন, ৱাই শুরচন্দ্র, পি সরত, টি টি হাউকিপ, ডা. এস রঞ্জন, টি ঐচ সত্যব্রত্ত, এল সুসিন্দ্রো, ভি ভালটে, ঐচ দিঙ্গো, কে রোবিন্দ্রো, ও লুখোইনচিংবসু শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা রাম মাধব অমসুং চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ডা. রঞ্জনদা লৈ খুদোলপোৎ ওইনা পীখি।

# টি ঐচ শ্যামকুমার ঃ মণিপুরদা উ চার লাক্ষ ১০ ...

*লমায় ১গী মখা*

অসিগুম্বা পালন থৌরম অসি পাঙথোকপনা ঐখোয়গী অহোয়বগী ফিভম অসি কনবা ঙমগনি।

মতম অমদা তেবলদা উ থাবগী চৎনবী অদু তোক্লগা ইশা ইশানা থারিবা উশিং অদু হিংন্নবা থবক লৌখৎপগী তঙাইফদবা লৈ। উ থাবদি লায়, মরু ওইরিবদি থারিবা উপালশিং অদু হিংহনবা হোৎনবনি।

ঙসি থারিবা উপালশিং অসি হৌনবা মাহুদগী ওফিসিয়েলশিং, আই এম সিগী ওফিসিয়েলশিংনা, কোর্পোরেটরশিং, কাউন্সিলরশিংনা মসিদা মতেং পাঙবীদুনা মপুং ফানা হৌনবা হোৎনবীয়ু। মদু থবক ওইনা পাঙথোকপা ঙম্লবা মতমদা পায়খৎলিবা থবকশিং অদু মহয় য়াল্লে হায়না লৌমিন্নসি হায়খি।

মহাক্ন হায়, থারিবা উশীং অসি নিংথিনা মেন্টেন তৌবা চংই। মসিগীদমক মেন্টিনেন্সকী শেনফম হৌজিক হাপ্লে। মীয়ামগা লোয়ননা মেন্টিনেন্সকী থবক পায়খৎনবা থবক লৌখৎপা হৌরে হায়খি।

মীওইবা ৱাখল তাবা ৱাৎপদগী চীংদা পাক্তক্লনা উমং কোকথোকপা, কেটচমেন্ট এরিয়া কোকথোকপা অসি থিংদুনা উপাল কয়া থানবা থবক লৌখত্তুনা লাক্লি। জর্মন দিভলপমেন্ট বেঙ্ক অমা ওইরিবা কে এফ দব্লিউদগীসু ফন্দিং পীরক্লগে হায়রক্লে।

মণিপুরগী ওইনা সেন্টরদগী অমসুং ফোরেন ফন্দিং ময়াম অসি শিজিন্নদুনা উপান্বী কয়া থাদুনা হেন্না শঙবা মণিপুর অমা ওইহন্নবা হোৎনগনি হায়না মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

মণিপুরগী ওইনা ৱার্ল্ড এনভাইরনমেন্ট দে নুমিত্তা পুং অমদা উ পান্বী লিশিং ৬৫ স্কুলশিংদা থাখিবা অসিদা নত্তনা এন জি ওশিং অমসুং ক্লব ওর্গনাইজেসন কয়াগা খুৎশন্নরগা পান্বী কয়া থাখ্রে।

চৎলিবা চহী অসিগী ওইনা ৱার্ল্ড এনভাইরনমেন্ট দে অমসুং বনমহোটসবকী ওইনা পুল্লগা উ পান্বী লাক্ষ ১০ রোম থানবগী পান্দম থল্লি। চীফ মিনিষ্টরনা হৌদোকখিবা চয়োল অমা চুপ্না চখগদৌরিবা ৱার্ল্ড এনভাইরনমেন্ট দে মনুং অসিদা উপাল কয়া থাখগনি।

হৌজিক থারিবা উপালশিং অসি হিংহন্নবগীদমক খুল খুলদা লৈরিবা মীয়ামগীদমক শেছ্বং ওইনা পীরগা য়েংশিনহনবনি। হান্না তেবলদা উ থাবা ওইনা তৌরম্বা লোয়ননা নিংথিনা য়েংশিন্দবগী ফিভমদা লৈরম্বা অদু কোকহল্লগনি হায়রি।

ঙসিগী উ থাবগী থৌরম অদুদা কম্মিস্নার মাহুদ এম জয়, দাইরেক্টর মাহুদ টি ঐচ হরিকুমার, ম্যুনিসিপাল কম্মিস্নার কে চন্দ্রকুমার, আই এম সিগী মেয়োর এল লোকেশ্বর, কের্পোরেটর জয় অমসুং লমশাং নগর প্যঞ্চায়ৎকী কাউন্সিলরশিংসু শরুক য়াখি।

# মীওইবনা নোংমদা লুপা লাক্ষ ১৩গী ওক্সিজেন ...

*লমায় ১গী মখা*

অসি থৈদোক–থৈজিন তৌদুনা পাকথোকপা য়ানবা খন্নবা লৈখ্রে। অদুবু লম্বী অসি এল্লাইমেন পৈবনা মরম ওইরগা উজাওশিং অদু তঙাই ফদনা য়াম্ছৎখিবনি। অদুম ওইনমক লম্বী অসি শেমগৎ–শাগৎপা লোইরবা মতুংদা উ চার কয়াশিং অমুক থাজিন্নবা পান্দম থল্লি হায়না মহাক্ন ফোঙদোকপা লৈখ্রে।

উ চার লিশিং কয়া থাদুনসু হায়রিবা উজাওশিং অসিগী মহুৎ খুদক্তা শীনবদি য়ারোই। উ অমা মপুং ফানা চাওবদা য়ামদ্রবদা চহী ৫০দগী ৬০ ফাওবদি চঙগনি। মরম অসিনা মতুং তারকপদা লৈঙাক্কী চউখৎ থৌরাং অমদি শেমগৎ–শাগৎপদা উ পাম্বীশিংবু য়াম্ছৎকদৌবা লৈরবদি পাম্বী অদু মফম চাবা অমদা মেছিন শীজিন্নদুনা মফম চাবা অমদা হোংদোক্তুনা কনবীবনা হেন্না ফবনি হায়না মায়কৈ কয়াদগী অপাম্বা ফোঙদোক্লরক্লি।

চীং অমদি তমগী মফম কয়াদা ইফোঙ–ফোঙনা উমং কোকথোকপা উবা ফঙলি। মরম অসিনা চীফ মিনিষ্টরনা থমখিবা ৱাফমশিং অদুবু কদাই ফাও থাজবা য়ারবনো হায়না মায়কৈ কয়াদগী হংনরক্লি। থৱায় পানবা জিপূন্নমক্তা মপাল নাইদ্রবা কান্নবা পীবিরি হায়বা অসিদি মীপুম খূদিংনা খঙনরবা ৱাফন্নি। মীওইবা অমনা মিনিট অমা নিংশা হোনবা মতমদা নুংশিৎ লিটর ৭–৮ ফাওবা শীজিন্নে। নোংমদা ওইরগদি চাওরাক্তা লিটর ১১,০০০ শীজিন্নগনি হায়না পারি। হায়রিবা নুংশিৎকী চাং অসিদা চাদ ২০ দি ওক্সিজেননি অদুগা চাদ ১৫ অমনা ঐখোয়না হোনে দাক্লিবা কার্বোনদাইওক্সাইদ অসিনি। মসিনা হায়বদি মীওইবা অমনা নোংমগী মতমদা ওক্সিজেন লিটর ৫৫০ মথৌ তারি। অদুগা কৈথেলদা য়োনবা লিটর ২.৭৫কী প্রোটেবল ওক্সিজেন সিলিন্দর অমগী মমলনা লুপা ৬,৫০০ পীরি। মসিগী চাংচৎ অসিদদি মীওইবা অমনা নোংমগী মতমদা লুপা লাক্ষ ১৩ রোমগী ওক্সিজেন শীজিন্নে হায়না দেল্লি গ্রীন হায়না কৌবা এন জি ও অমগী রিছার্স রিপোর্ট অমনা হায়রি।

অদুম ওইনমক হায়রিবা লুপা লাক্ষ ১৩ রোমগী ওক্সিজেন অসি উপালশিংনা নুমিৎ খূদিংগী লেন্না পীবীরিবনি হায়বা অসি মীপুম খূদিংমক্না নীংশিংবা চুমগনি।

কানাদাগী নেস্নেল ইনভাইরোনমেন্ট এজেন্সিনসু উপাল অমনা চহী অমদা পাউন্দ ২৬০ পুথোকই,অদুগা মপুং ফারবা উপাম অনীনা মীওই মরি লৈবা ইমুং অমগী ওক্সিজেন সপ্লাই লাইনা পীবা ঙমগনি হায়না রিপোর্ট অসিনা হায়রি।

ইন্দিয়া পুম্বগী ওইনা চাদ ৩০দি উমংগী লম ওইহনবা অমদি উ মরাং কাইহন্নবগী পান্দমদা মিনিষ্ট্রি ওফ ইনভাইরোনমেন্ট,ফোরেষ্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জনা মিসন ফোর গ্রীন ইন্দিয়া (জি আই এম) হায়না স্কিম অনীসু লোঞ্চ তৌখিবা লৈখ্রে।

নেসনেল এফোরেষ্টেসন প্রোগ্রাম অসিনা মরু কোক্লুরবা উমং অমবু অমুক হান্নগী ফিভমদা হল্লক্নবা হোৎনগদবা স্কিমনি। অদুগা গ্রীন ইন্দিয়া মিসন (জি আই এম) অসিনা উমংগী শরুক পাকথোক–চাউথোক্লবা স্কিমনি।